## ক্বিন এলিজাভেঠকী বার্থদে থৌরম কেন্সেল তৌখ্রে

লন্দন, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সি) :
বৃটেনগী ক্বিন এলিজাভেঠনা মহাক্কী ৯৪ শুবা মপোক নুমিৎকী থৌরম অখন্নবা মওংদা পাঙথোক্তনবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুনা শাথিরবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ থেংনরিঙৈদুদা মতাং চাররোই হায়রদুনা মহাক্কী বার্থদেদা গন সেল্যুটনচিংবা য়াওররোই হায়খ্রে।

## ইরান্না কোভিদ-১৯ লাকশিনবা ঙমগদৌরে

টেহ্রান, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সি) :
ইরানগী মফম অয়াম্বদা কোভিদ-১৯গী পান্দেমিক লাকশিনবা ঙমগদবা ফিভম য়ৌশিল্লক্লে হায়না লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে। অমরোমদা, টর্কিদা অনৌবা কেসশিং থুনা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা মিদল ইষ্টতা লৈবাক অসিনা ইরানদগী হেন্না শাথিরবা লাইচৎ অসিনা শোকহনবা লৈবাক ওইরবা য়াই হায়রি।

ইরানদা ইরাই নুমিত্তা অনৌবা কেস ১,৪৯৯গা লোয়ননা পুন্না কনফর্ম কেস ৭৯,৪৯৪ য়ৌখি। শিখিবা মশিংনা ৪,৯৫৮ য়ৌখি। অমরোমদা, নুমিৎ অসিদা টর্কিগী অনৌবা কেস ৪,৩৫৩ গা লোয়ননা পুন্না কেস ৭৮,৫৪৬ য়ৌখি।

# মেদিকেলগী পোৎলমশিং থাদোকপগী রুলশিং শেমদোক্লবা য়ু এসনা চাইনাদা তকশিনখ্রে



ৱাশিংটন, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরস লাইচৎ থেংনবদা তঙাইফদনা চঙবা প্রোটেক্তিভ ইক্বিপমেন্টনচিংবশিং মতম চানা ফংহনবদা অপনবা থোক্তনবগীদমক্তা অসিগুম্বা পোৎলমশিংগী অনৌবা এক্সপোর্ট ক্বালিটি কন্ট্রোল রুলস রিভাইস তৌনবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চাইনাদা তকশিনখ্রে হায়না য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সমেন ফোঙদোকখ্রে।

চয়োল অমগী মমাংদা চাইনানা মাস্কশিং অমসুং অতৈ পর্সনেল ইক্বিপমেন্ট (পি পি ঈ) থাদোকপগী অথিংবশিং হেন্না চেৎশিনহনখিবগা লোয়ননা পোৎলমশিং অসিবু তঙাইফদনা কষ্টমস ইন্সপেক্সন চখহন্নবা খঙহনখিবনি। লৈবাক খরগী গভর্নমেন্টশিং অমসুং হোস্পিটাল কয়ানা চাইনাদগী থারকপা পি পি ঈশিংদা অশোয়বা কয়া য়াওরম্বা থেংনরে হায়না কমপ্লেন্ট তৌনখিবা মতুংদা বৈজিংনা পোৎশকশিং অসি থাদোকপগী রুলশিংদা অথিংবা কয়া হাপচিনখিবনি।

ক্বালিটি কন্ট্রোলগী থবকশিং থাগৎলি তৌইগুম্বসুং মসিনা কোরোনাভাইরস থেংনবদা তঙাইফদনা চঙলিবা মেদিকেলগী পোৎলমশিং মতম চানা ফংহনবদা অথিংবা থোকহনবদি ঐখোয়না পামদে হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সমেন অমনা শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদনা হায়খি মদুদি, য়ু এস গভর্নমেন্টনা ৱাফম অসি চাইনাদা খঙহনখ্রে। মরু ওইবা পি পি ঈ য়ু এসতা থুনা এক্সপোর্ট তৌবা য়ানবা অনৌবা অথিংবা পীবা রুলশিং রিভাইস তৌনবা ঐখোয়না চাইনাদা হায়জখ্রে। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অসি মেদিকেলগী মরু ওইবা পোৎলম কয়াগী মতাংদা অচৌবা ষ্ট্রেটেজিক অমসুং লল্লোন-ইতিক্কী লম্বা ওইরিবা চাইনানা শাবা পোৎলমশিংগী মপান চাওনা তাংলিবনি। ইরাই নুমিত্তা রিপব্লিকান সিনেটর কেরি লোপলরনা চাইনাবু য়ু এসতা য়ৌরক্কদবা টেষ্ট কিটশিং ফাজিন্দুনা থম্মী হায়না মরাল শীখি।

দেমোক্রেটিক সিনেটরশিং তোম কার্পর, বোব মনেন্দেজ অমসুং রিপব্লিকানশিং টিম স্কোট অমসুং থোম টেলিসনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈরিবা চাইনাগী এম্বেসেদর কুই তিনয়াকাইদা লেটরশিং ইরদুনা অনৌবা রুলশিং অদুনা পীরিবা চৈথেংগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি। অমরোমদা, ৱাশিংটনদা লৈবা চাইনিজ এম্বেসিনা হায়খ্রে মদুদি, মালেমগী লৈবাক অয়াম্বনা মেদিকেলগী পোৎলমশিং কোয়তান তান্নরকপদগী ক্বালিটি কন্ট্রোল অমসুং এক্সপোর্ট রেগুলেসনগী মতাংদা চাইনাদা অচৌবা শীংনবা অমা মায়োক্লহল্লে।

# নাইজিরিয়াগী প্রসিদেন্টকী চীফ ওফ ষ্টাফ কোভিদ-১৯ নাবদগী লৈখিদ্রে



লাগোস, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সি) :
নাইজিরিয়াগী প্রসিদেন্টকী চীফ ওফ ষ্টাফ অবা কিয়ারি নোভেল কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন লৈরবা মতুং ইরাই নুমিত্তা লৈখিদ্রে হায়না প্রসিদেন্সিগী স্পোক্সমেন অনীনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৭০ হেল্লবা দাইবেটিস য়াওনা হান্নদগী মশাদা হকশেলগী প্রোব্লেম খরা য়াওদনা লৈবা কিয়ারি অসি মশাগী চহী ৭৭ শুরবা প্রসিদেন্ট মোহামদু বুহারিগী মকোক থোংবা ওফিসল এইদ অমসুং লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈরবা মীওইশিংগী মনুংদা অমনি।

প্রসিদেন্টকী চীফ ওফ ষ্টাফ মালম অবা কিয়ারিনা লৈখিদবদা প্রসিদেন্সিনা থম্মোয় শোকনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা নুংনাংবা উৎলি হায়না প্রসিদেন্সিগী স্পোক্সমেন গর্বা সেহুনা ত্বিট অমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা কিয়ারি চাংয়েংদা শাথিরবা কোভিদ-১৯ লায়না পোজিটিভ ওইখিবগা লোয়ননা লায়েং চথদুনা লাক্লি। তৌইগুম্বসুং মহাক ইরাই নুমিত্তা লৈখিদ্রে।

নাইজিরিয়া সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোলগী মতুং ইন্না কনফর্ম কেস ৪৯৩ লৈবা অমসুং মীওই ১৭ শিখ্রবা ৱেষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক অসিদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা শিহল্লিবা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী ওফিসলদি কিয়ারিনি। মার্চ ২৪ দা ফোঙখিবা এজেন্সিগী রিপোর্ট অমদা কিয়ারিদা য়াম্না লৌনগল্লবা লায়না অসি পক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

# হোং কোং পুলিসনা ভেটরন দেমোক্রেসি এক্তিভিষ্টশিং ফাগৎখ্রে



হোং কোং, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সি) :
হৌখিবা চহীদা হোং কোংদা প্রো-দিমোক্রেসি মুভমেন্ট হৌখিবদগী খ্বাইদগী চাওবা মীফা-মীপুনগী থৌদোক্তা থাংজ নুমিত্তা সিটি অসিগী পুলিসনা চথখিবা রেইদশিংদা লোনা য়াদবা মওংদা পুল্লম্বগী মরালদা এক্তিভিষ্ট ১৪ ফাগৎখ্রে।

মিদিয়া অমসুং পোলিটিকেল সোর্সশিংগী মতুং ইন্না পুলিসনা রেইদ কয়া চথদুনা ফাগৎখিবশিংদুগী মনুংদা মশাগী চহী ৮১ শুরবা মশক নাইরবা দেমোক্রেটিক পার্টিগী ফাওন্দর অমসুং সিনিয়র বরিষ্টর মার্টিন লি, মশাগী চহী ৭১ শুরবা মিলিনিয়র পব্লিসিং টাইকুন জিমি লাই অমসুং মশাগী চহী ৭২ শুরবা হান্নগী লেজিসলেটর বরিষ্টর মাগ্রেট এনজি য়াওরি।

পুন্না পুলিসনা হান্নগী লেজিসলেটর ৯ ফাগৎখি। ফাখিবশিং অদুগী মরক্তা য়াওদবা দেমোক্রেটিক লেজিসলেটর ক্লাউদিয়া মোনা ফোঙদোকখিবদা, চীফ ইগজিক্যুটিভ কেরি লামনা লুচিংবা সিটি গভর্নমেন্টনা হোং কোংদা কিনিংঙাই ওইরবা থবক থৌরাং কয়া হৌদোক্লবা হোৎনদুনা লৈরি। মখোয়না অঙম্বা থাক্তা লোকেল ওপোজিসনবু ফোর্স শীজিন্নদুনা মচিন মেন্ননবা হোৎনরি হায়না মোনা সেপ্তেম্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা লেজিসলেটিভ ইলেক্সনগা মরী লৈননা ফোঙদোকখি।

ইলেক্সন অসিদা দেমোক্রেটশিংনা সিটি এসেমব্লিদা অমুক হন্না ভিটো পৱার পায়বা ঙম্লগনি হায়না থাজরিবনি। হোং কোং পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট লামৱিং-হোনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, হৌখিবা চহীগী ওগষ্ট ১৮ অমসুং ওক্তোবর ১ অমদি ২০ দা লোনা য়াদবা মওংদা মীয়াম পুলহন্নবা হোৎনবা অমদি অসিগুম্বা মীতিনশিংদা শরুক য়ারম্বগী মরালদা চহী ২৪ অমসুং ৮১ গী মরক্তা লৈবা মীওই ১৪ ফাগৎখি। মতমদুদদি সিটি শীন-থুংনা অকনবা প্রোটেষ্টকী ইরাং লৈখিবনা মীফা-মীপুনশিং অদু থোক্ত্রবসু পুলিসনা থাংজ নুমিত্তা চথখিবা রেইদশিং অসিগী মতাংদদি মায়কৈ কয়াদগী প্রোটেষ্ট তৌনরকপা য়াই হায়রি।

# য়ু এস করিয়রগী কোভিদ-১৯গী কেস অয়াম্বা লাইওং উত্তে



ৱাশিংটন, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরস লাইচৎ য়ৌরবা য়ু এস এয়রক্রাফট করিয়র থিওদোর রুজভেল্টগী ক্রু অপুন্বদা পাক্তক্লনা চাংয়েং চথবদা হৌজিক ফাওবদা হিরোয়শিংগী মরক্তা থেংনরিবা পোজিটিভ কেস অয়াম্বা লাইওং উৎপা উদে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

অয়াম্বা মশা-মউ ফরবা নহা ওইরিবা মীওইশিংদা কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লবসু মখোয়দা কোভিদ-১৯গী লাইওংশিং উৎলকপা উদবা অসিনা য়ু এসকী পোলিসি মেকরশিংগী ৱাখল্লোন্দা লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী থবক-থৌরমশিং মহৌশাগী ফিভমদা অমুক হন্না হঞ্জিনহন্নবগী থৌরাংশিং য়াৎপদা আইদিয়া খরদি পীরগনি হায়না লৌনরি।

য়ু এস নেভিনা এয়রক্রাফট করিয়র অদুগী ক্রু মেম্বর ৪,৮০০ অমত্তা খাক্তনা কোরোনাভাইরস টেষ্ট চখরকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা ইনফেক্সন টেষ্টকী চাদা ৯৪ মপুং ফারে। এয়রক্রাফট করিয়র অমদা শাথিরবা লায়না-লাইচৎ য়ৌশিল্লকখিবগী ৱাথোক্লা মরম ওইদুনা করিয়র অসিগী কেপ্টেন মফম তাখিবগা লোয়ননা নেভিগী মকোক থোংবা সিভিলিয়ন ওফিসরসু মফম থাদোকখ্রবনি।

নেভিনা হায়রি মদুদি, হৌজিক ফাওবদা চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরবা হিরোয় ৬০০ হেনবগী মনুংদা চাদা ৬০ রোম কোভিদ-১৯গী লাইওং অমত্তা উৎলকপা লৈতে। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা নেভিনা মতুং তারকপদা হিরোয় কয়া কোভিদ-১৯গী লাইওংশিং লাকপা য়াই নৎত্রগা মখোয় মখা তানা লাইওং উত্তনা কয়াম কুইনা লৈখিগদগে হায়বসি লেপ্পা ঙমদ্রি।

কোভিদ-১৯গী মতাংদা ঐখোয়না হৌজিক খঙবা ঙম্লে মদুদি, লাইওং থোকহন্দনা ইনফেক্সন শন্দোকপা ঙম্বা হায়বসি নোভেল কোরোনাভাইরসকী অরোনবা মতিক ময়াই অমনি হায়না রিয়র এদমিরেল ব্রুস গিলিংহাম, সর্জন জেনরেলনা ফোঙদোকখি।

# কোভিদ-১৯ থেংনবদা জিও এমনা থবক্তগী পোত্থারবা দোক্তর, মেদিকেল মহৈরোয়শিং শীজিন্নবা খন্নরি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সি) :
কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মে ৩ ফাওবা লোকদাওন শাংদোকখিবদগী ওইরক্লিবা ফিভম থাংজ নুমিত্তা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা গ্রুপ ওফ মিনিষ্টরস (জি ও এম)গী মীফম অমনা রিভিয়ু তৌখ্রে।

মীফম অদুদা শাথিরবা কোরোনাভাইরস লাইচৎ থেংনবদা থবক্তগী পোত্থরবা দোক্তরশিং, হেল্থ প্রোফেসনেলশিং অমসুং গ্রেজ এসনগী অরোয়বা চহীদা তম্লিবা মেদিকেল মহৈরোয়শিং শীজিন্নবা হৌদোরকখিবা ৱাফম খন্নখি হায়না গভর্নমেন্ট সোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরাংশিং অদুনা কোরোনা-ভাইরস শন্দোরকপা থিংনবগী চেকশিন-থৌরাংশিংগী মনুং চন্না লোকেল কন্দিসনশিং য়েংলগা থেঞ্জায় নাইনা শেল-থুমগী থবক থৌরমশিং অমুক হৌহনবা য়াগনি হায়না মীফম অদুদা শরুক য়ারিবা মিনিষ্টরশিংনা ফোঙদোক্লখি।

সেন্টরনা হৌদোকখিবগুম এপ্রিল ২০ দগী নন-হোটস্পোট জোনশিংদা শেল-থুমগী থবক থৌরমশিং মপুং ফানা নৎত্রবসু খরমখৈ হৌহনবগী মতাংদা মেম্বরশিংনা কুপ্না খন্ন-নৈনখি। জি ও এমনা কোভিদ-১৯গী ফিভমগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মিনিষ্টরশিংদগী ফিদবেক লৌখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা এপ্রিল ১৫ দা ইশ্যু তৌখিবা গাইদলাইনশিংগা চান্ননা হৌজিক ফাওবদা কোরোনাভাইরসকী কেস অমত্তা রিপোর্ট তৌবা লৈত্রিবা মফমশিংদা শেল-থুমগী থবকশিং থেঞ্জায় নাইনা হৌহন্নবগী ৱারেপ জি ও এমনা মোৎ অমত্তা ওইনা থাগৎখি।

মীফম অদুদা শেল-থুমগী লমদা শোত্থহৌরবা মীওই সেক্সনশিংগী অৱাবশিং হন্থহন্নবা প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান য়োজনাগী মখাদা বেনিফিসরি ক্রোর ৩৩.২৫ হেনবদা লুপা ক্রোর ৩১,০০০ য়ৌহনবগী ৱাফমসু মেম্বরশিংনা থাগৎখি হায়রি।

# কোরোনাভাইরসকী কেস চাদা ৩০ রোম জমাটকী মীফমগা মরী লৈনৈ

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সি) :
লৈবাক অসিগী কোরোনাভাইরস কেস অপুন্বগী চাদা ৩০ রোম হায়বদি কেস ৪,২৯০ হেন্না দিল্লিদা পাঙথোকখিবা তাব্লিগি জমাটকী মীফমগা মরী লৈনৈ হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



দিল্লি খক্তদা রিপোর্ট তৌখিবা কেস ১,৭০৭ গী মনুংদা চাদা ৬৩ মীফম অদুমগা মরী লৈনৈ হায়রি।

দিল্লিগী নিজামুদ্দিনদা পাঙথোকখিবা জমাটকী চাওরবা মীফম অদুগা মরী লৈননা মীওই ৪০,০০০ লোম ক্বারন্টিন তৌখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী কনফর্ম তৌরবা কেস ১৪,৩৭০ হেনবগী মনুংদা ১,৯৯১ লায়েংবদগী ফখ্রে। মীওই ৪৮০ হেন্না লায়না অসিনা শিহনখ্রে। হৌজিক অসিদা এক্তিভ কেস ১১,৯০০ হেন্না লৈ। লৈবাক অসিগী ওইনা কোরোনাভাইরসনা শিহনবগী চাং চাদা ৩.৩ নি।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি লভ অগরৱালনা ফোঙদোকখিবদা, কোরোনাভাইরস কেস ৪,২৯১ নিজামুদ্দিন মর্কজকী থৌদোক্কা মরী লৈনৈ। কেসশিং অসি ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২৩ দা শন্দোক্লি। মখোয়গী মনুংদা খ্বাইদগী শাথিনা শোকহল্লিবা ষ্টেটশিংদি কেস চাদা ৮৪ গা লোয়ননা টামিল নাদু, চাদা ৬৩গা লোয়ননা দিল্লি, চাদা ৯১ গা লোয়ননা অসাম, চাদা ৬১ য়ৌবা উত্তর প্রদেশ অমসুং চাদা ৮৩ গা লোয়ননা অন্দামান এন্দ নিকোবরনি। করিগুম্বা লোকদাওন অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিংগী চৎন-কাঙলোনশিং ইন দবা তারবদি লৈবাক অপুন্বা অরুবা ফিভমশিং মায়োক্লরম্বা য়াই হায়না অগরৱালনা ফোঙদোকখি।

হেল্থকী মকোক থোংবা ওফিসল অসিনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ২৩গী দিষ্ট্রিক্ট ৪৭ তা কোরোনাভাইরস লাইচৎকী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জংদা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা তঙ্ককশিং লাকপা উরে, উদুচেরি অমসুং কর্নাতাকাগী দিষ্ট্রিক্ট অমমমদা অনৌবা পোজিটিভ কেস থেংনদ্রে হায়খি।

# লাইফলাইন উদনগী মখাদা মেদিকেলগী পোৎলম টন ৪৬৩ চাইথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সি) :
লাইফলাইন উদন ইনিসিএটিভকী মখাদা এপ্রিল ১৭ ফাওবদা ফ্লাইট ২৭৪ না মেদিকেলগী তঙাইফদবা পোৎলম টন ৪৬৩.১৫ লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা হোন্দুনা ফংহনখ্রে হায়না থাংজ নুমিত্তা সেন্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

এয়র ইন্দিয়া, এলাইন্স এয়র, আই এ এফ অমসুং প্রাইভেট করিয়রশিংনা লাইফলাইন উদনগী মখাদা ফ্লাইট ২৭৪ ওপরেট তৌখি। ফ্লাইটশিং অসিগী মনুংদগী ফ্লাইট ১৭৫দি এয়র ইন্দিয়া অমসুং এলাইন্স এয়রনা ওপরেট তৌই। হৌজিক ফাওবদা হোল্লিবা পোৎলমশিংগী চাং অসি টন ৪৬৩.১৫ লোমনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল এভিয়েসন (এম ও সী এ)গী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

এয়র ইন্দিয়া, ব্লু দার্ট, স্পাইসজেট অমসুং ইন্দিগোসু কম্মর্সিএল বেসিসতা কার্গো ফ্লাইটশিং ওপরেট তৌরি। লাইফলাইন উদানগী ফ্লাইটশিংনা গুৱাহাতি, দিব্রুগর, অগরতালা, আইজোল, দিমাপুর, ইম্ফাল, কোইম্বাতোর, থিরুভন্তপুরম, ভুবনেশ্বর, রাইপুর, রাঞ্চি, পোর্টব্লেয়র অমসুং গোৱাগুম্বা লোকেসনশিংগী হবশিংগা শম্নহল্লি।

কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা ইন্দিয়ানা চঙশিল্লিবা লাঞ্জংগী শরুক ওইনা লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তা অমদি লৈবাক অসিগী ৱাংমদা মেদিকেলগী অমদি তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং হোন্নবগীদমক্তা হৌখিবা মার্চ ২৬ তা সিভিল এভিয়েসন মিনিষ্ট্রিনা লাইফলাইন উদন ফ্লাইটশিং হৌখিবনি। হৌজিক্কী ওইনা ফোরেন নৎত্রগা দোমেষ্টিক পেসেঞ্জর ফ্লাইট ওপরেসনশিং লৈবাক অসিদা য়াহন্দ্রি।

অমরোমদা, দোক্তরশিং অমসুং অতৈ হেল্থ ক্যের প্রোফেসনেলশিংনা কোরোনাভাইরস থেংনবদা অপনবা পীবগী মওংদা মখোয়দা খুৎ থাবগী থৌওংশিং চথরিবশিং লেম্না থারোই অমসুং মরাল লৈবশিংগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না টেলঙ্গনাগী হেল্থ মিনিষ্টরনা হায়দ্রবাদতা ফোঙদোকখ্রে।

# গভর্নমেন্ট ওফিসশিং সোসল দিষ্টেন্সিংগী নোর্মস ঙাক্লগা থবক হৌরগনি



পনাজি, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সি) :
ষ্টেট গভর্নমেন্ট ওফিসশিং এপ্রিল ২০ দা থবক হৌহন্নবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা গোৱা গভর্নমেন্টকী জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্টনা থাংজ নুমিত্তা সর্ক্যুলর অমা থোক্তুনা সিনিয়র ওফিসরশিংদা মখোয়-মখোয়গী ওফিসশিংদা সেফ দিষ্টেন্সিং অমসুং হায়জিনগী প্রোটোকোলশিং ঙাক্লা চৎহন্নবা খঙহনখ্রে।

দিপার্টমেন্টকী অন্দর সেক্রেটরি শ্রীপাদ অর্লেকরনা থোকখিবা সর্ক্যুলর অদুদা গভর্নমেন্ট ওফিসশিংনা হৌজিক্কী ওইনা ভিজিটরশিং চঙহল্লোইদবনি অমসুং মীতিংশিং য়ারিবমখৈ ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা পাঙথোক্কদবনি হায়নসু পনখি। দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্কী মকোকশিংনা ইমপ্লোয়ীশিংবু নোংমা কাল্লগা নোংমা ওফিসতা লাকহন্দুনা অকক্লবা নুমিৎ অমদা ওফিস কাবগী চাং ইমপ্লোয়ী অপুন্বগী চাদা ৫০গী ষ্ট্রেথতগী হেনহল্লোইদবনি অমসুং অৱাৎপা থবক্লা ইমপ্লোয়শিংনা নোংম খন্নরগা ময়ুম-ময়ুমদা থবক শুনবগী ফিভমদা থবক শীন্নগদবনি। য়াম্না তঙাইফদবা ষ্টাফ খক্তনা নুংতিগী ওইনা ওফিস কাবা য়াই হায়না থাংজ নুমিত্তা ইশ্যু তৌখিবা ওর্দর অদুদা পনখি।

ওর্দর অদুদা দিপার্টমেন্টকী মকোক পুন্নমক্না গভর্নমেন্ট ওফিসশিংদা হেন্দ সেনিটাইজরশিং অমদি ঈশিং মরাং কায়না ফংহনগদবনি হায়নসু পনখি। মখা তানা ওর্দর অদুনা গভর্নমেন্ট সর্ভেন্টশিংদা থবক মফমশিং, পব্লিক ট্রান্সপোর্ট অমসুং থবক কাবা অমদি হল্লকপদা সোসল দিষ্টেন্সিং নীংথিনা ঙাক্লবসু খঙহনখি। গভর্নমেন্ট ওফিসশিংদা ভিজিটরশিং লাকহল্লোইদবনি হায়বা ৱাফমসু ওর্দর অদুদা পনখি।

হৌখিবা এপ্রিল ৩ দগী হৌজিক ফাওবদা গোৱাদা কোভিদ-১৯ গী পোজিটিভ কেস অমত্তা লৈত্রিবনি। হৌজিক ষ্টেট গভর্নমেন্টকী ক্বারন্টিন ফেসিলিটিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওই অমখক লৈ। সাউথ গোৱাগী ইমপ্লোয়ী ষ্টেট ইন্সুরেন্স হোস্পিটালদা ফেসিলিটি অদু থল্লিবনি।